# ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কেরোম টুর্নামেন্ট ২০১৮–১৯
# এম এরিনানা সব–জুনিয়র গার্লসকী চেম্পিয়ন ওইখ্রে





ইম্ফাল, জনুৱারি ১৫ঃ

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কেরোম এসোসিয়েসননা শীন্দুনা শগোলবন্দা লৈবা সয়াং পুখ্রি উশা ভবান ক্লবতা থা অসিগী ১৩দগী শান্নরোই ৬৮না শরুক য়াদুনা চথরক্লিবা মরিশুবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কেরোম টুর্নামেন্ট ২০১৮–১৯ গী সব–জুনিয়র গার্লসকী ফাইনেলদা এম এরিনানা জিটশ্রিবু ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা কাংলুপ অসিগী চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

সব–জুনিয়র বোইজকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেলদা এস রোনাল্ডনা এম প্রেমচান্দবু ২–০ (২০–৩, ১৬–৯) দা মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখি।

কাংলুপ অসিগী শান্নখিবা থার্দ পেসতা এম রোনাল্ডনা এন বোরিসপু ২–১ (৪–২১, ২১–০, ১৭–২) দা মায়থিবা পীখি।

মেন্স সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচতা এল ঙাম্বোইবা অমদি এম মাধোপনা হয়েং শান্নরগনি।

মেন্স সিঙ্গলসকী শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচতা এল ঙাম্বোইবানা সিঐচ অরুনবু ২৫–১২, ১২–২৫, ২৫–১২ তা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে।

কাংলুপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা এম মাধোপনা দব্লিউ নেতরজিৎপু ২৫–১৭, ২৫–২৩ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি।

চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ৱুমেন্স সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা হয়েং ও মেমথোই অমদি ও রবিকানা শান্নরগনি।

ৱুমেন্স সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ও মেমথোইনা এস রোজিবু ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি।

অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা ও রেবিকানা এম বসেলোনাবু ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েং লোইশিনবগী থৌরমদা উশা ভাবন ক্লবকী এদভাইজর এ কে ইবোতোম্বী, ওল মণিপুর কেরোম এসোসিয়েসনগী সেনিয়র ভাইস প্রসিদেন্ট কে কুমার অমদি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কেরোম এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট টি ধিরেননা অথোইবা মিথুংলেন ওইনা শরুক য়াগনি।

# বিষ্ণুপুর ফার্ষ্ট দিভিজন অমদি সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল ২০১৮



ইম্ফাল, জনুৱারি ১৫ঃ

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা বিষ্ণুপুর মিনি ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ১৫ দগী টিম ১৫ না গ্রূপ অনী থোক্লা খাইদোক্তুনা চথরিবা ৫শুবা ঐচ পিশক মেমোরিয়েল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৮ গী গ্রূপ–বিগী মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা লীগ অসিগী ৩১শুবা মেটচতা এমসিকে কাবো ৱাকচিংনা জিএমসি ফুবলাবু য়াম্না লাকচনা গোল ৪–০ দা মায়থিবা পীদুনা ফুল পোইন্ট ফঙখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী হাল্ফ অনীমক্তা এমসিকেনা বোল হেন্না পায়দুনা জিএমসিবু লাকশিন্না শান্নখি।

মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফকী মিনট ২৯ চৎপদা এমসিকেগী জর্সি নম্বর ২৩ মিল্লিয়ননা মেটচ অসিগী অহানবা গোল চনদুনা ১–০ দা মাংজিল থাদুনা অহানবা হাল্ফ লোইখি।

অনীশুবা হাল্ফতসু এমসিকেনা অহেনবা গোল হাপচিন্নবা শান্নরক্তুনা জিএমসিগী মাইকৈদা লেপ্পা লৈতনা এটেক্ট চথরকখি।

এটেক্টশিং অদুগী মহৈ ফঙলদুনা জর্সি নম্বর ৩০ ইদিসননা মিনট ৩৫ অমদি ৩৯দা টিম অসিগী অনীশুবা অমদি অহুমশুবা গোল চনদুনা ৩–০ দা মাংজিল থাখি।

মেটচ অসিগী অপীবা মতম লোইরমদাইদা জর্সি নম্বর ১১ রামজানেনা মিনট ৫৩দা এমসিকেগী মরিশুবা গোল চনদুনা মেটচ অসি মাই পাকখি।

মেটচ অসিদা জিএমসিগী জর্সি নম্বর ৮ এম মুস্কান্দা রেফরিনা ফাউল শান্নবগী য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

হয়েংগী মেটচতা টিৱাইদিএ অমদি এলএফসিগা শান্নরগনি।

বিষ্ণুপুরগী মিনি ষ্টেদিয়ম গ্রাউন্দ অসিদা থা অসিগী ২৫ দগী টিম ১২ দা গ্রূপ ২ থোক্লা খাইদোক্তুনা চথরক্লিবা ১৩শুবা এন বালানন্দ মেমোরিয়েল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৮ গী ২২শুবা লীগ মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা গ্রূপ–এগী মেটচতা ইসিঐচও বিষ্ণুপুর অমদি এসইভিএ নরান সেনা গোল ১–১ দা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট অমমম য়েন্নখি।


শান্নখিবা মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফতা ইসিঐচও না বোল হেন্না পায়দুনা গোলগী একাউন্ট হাংদোক্লবা হোৎনখিবগী মহৈ ফঙলদুনা মিনট ৭ চৎপদা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ১৭ এন তোন্দোনবানা মেটচ অসিগী অহানবা গোল চনদুনা ১–০ দা মাংজিল থাদুনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফতা গোল শোত্থরিবা এসইভিএ নরান সেনানা গোল হন্দোক্লবা হোৎনরক্তুনা ইসিঐচওগী মাইকৈদগী প্রেসর পীশিনখি।

মিনট ৫১ চৎপদা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ১১ কিষননা গোল হন্দাক্তুনা মেটচ অসি মাইথিগদবদগী কলহৌদুনা টিম অনীমক্লা পোইন্ট অমমম য়েন্নখি।

মেটচ অসিদা ইসিঐচওগী জর্সি নম্বর ১১ এল রোমিও, জর্সি নম্বর ৮ এল খাম্বা অমদি এসইভিএগী জর্সি নম্বর ১১ কেঐচ কিষনদা রেফরিনা ফাউল শান্নবগী য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

লীগ অসিগী হয়েংগী মেটচতা টিঐচএএসসিও অমদি ৱাইএসিনা শান্নরগনি।




# এলএসকে ৱাঙ্গোই অমদি এনভিকেএ (এ) ফাইনেল শান্নরগনি

ইম্ফাল, জনুৱারি ১৫ ঃ

মণিপুর কাং এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা শিংজমৈ কাং এসোসিয়েসননা শীন্দুনা শিংজমৈ কাংশঙদা মমাঙ থাগী ২০ দগী টিম ১০ না গ্রূপ অনী থোক্লা খাইদোক্তুনা চথরক্লিবা ৬৩শুবা সার চুরাচান্দ সিংহ (কেসিএসআই–সিবিই) মেমোরিয়েল লীগ কপ নোক–আওট ওপন কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেল মেটচতা এনভিকেএ (এ) নম্বোলনা ৱাঙ্গোই (বি)বু পাঞ্জল ২৩–১৩ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেটচতা এলএসকে ৱাঙ্গোই অমদি এনভিকেএ (এ) নম্বোলগা লম্বা থেংনরগনি।

# অনীশুবা খেলো ইন্দিয়া য়ুঠ গেমস

ইম্ফাল, জনুৱারি ১৫ঃ

মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুঠ এফিয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী মিৎয়েং মখাদা থা অসিগী অহুমদগী মহারাষ্ট্রগী পুনেদা চথরিবা অনীশুবা খেলো ইন্দিয়া য়ুঠ গেমসকী ঙসি তরেৎ চনবা নুমিৎ ফাওবদা মণিপুরনা গোল্ড মেডল ৬, সিলভর মেডল ৬ অমদি ব্রোঞ্জ মেডল ৬ পুন্না মেডল ১৮ লৌখ্রে।

ঙসি তরেৎনি চনবা নুমিৎতা শান্নখিবা খো খো মশান্নদা মণিপুরনা অসামবু পোইন্ট ২–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

গেমস অসিগী নুপীমচাগী চহি ১৭কী ফুটাবোল মশান্নগীদা ঝারখননা মণিপুরবু ৪–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মণিপুর মেটচ অসিদা মায়থিরবসু সেমি ফাইনেল চঙদুনা উরিষাগা লম্বা তৌনগনি। মশান্না অসিগী নুপামচাগী চহি ২১ দা কর্নাতাকানা মণিপুরবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

# পেরেদাইজ য়ুনিয়ন পুংদোংবম কপ

ইম্ফাল, জনুৱারি ১৫ঃ

পেরেদাইজ য়ুনিয়ন পুংদোংবম (পিয়ুপিয়ু) না শীন্দুনা পুংদোংবম প্লে গ্রাউন্দা টিম ১২না গ্রূপ–মরি থোক্লা খাইদোক্তুনা ঙরাংদগী চথরক্লিবা অহুমশুবা পিয়ুপিয়ু কপ ষ্টেট লেভেল অন্দর–১৭, নাইন মেন এসাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা পুংদোংবম এফসিনা ৱাইএলকে টেম্পুরবু গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মায় পাক্লবা পুংদোংবমগী গোলশিং অদু এএস সোমি সিংহ না গোল অহুমমক চনখি।

অনীশুবা মেটচতা ৱাইদিসিএলনা কেআইএমএফসিবু ৮–৩ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মায় পাক্লবা ৱাইদিসিএলগী গোলশিং অদু অঙম্বা অমদি রোহিটনা গোল অনী, পোইরৈতোন, অবোই অমদি লক্কীসননা গোল অমমম চনখি।

# অহুমশুবা এম কুঞ্জো নিংং ফুটবোল
# য়াইরিপোক, পাটসোই অমদি নহারুপ মায় পাখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ১৫ ঃ

দি পাওনা মেমোরিয়েল ক্লব উচেক্কোন তাখোক মপালনা শীন্দুনা থা অসিগী ১৪দগী ক্লব অসিগী শান্নবুংদা টিম ৪৩ না শরুক য়াদুনা চথরিবা অহুমশুবা ষ্টেট লেভেল মোইরাংথেম কুঞ্জো সিংহ নিংশিং সোক্কর টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা য়াইরিপোক য়াম্বেম, এটু পাটসোই অমদি টিৱাইসি নহারুপ মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দা য়াইরিপোক য়াম্বেমনা মোইরাং কম্পু এফসিবু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মায় পাক্লবা য়াইরিপোক্কী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৮ ক্লিন্টননা মিনট ১২ অমদি ৪০ দা গোল অনী অদুনা জর্সি নম্বর ৭ সনাতোননা মিনট ২৬তা গোল অমা চনখি।

মোইরাং কম্পুগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা এল সনাজাওবানা মিনট ৬তা চনখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা গ্রাউন্দা এটু পাটসোইনা এনকেএফসি নম্বোলবু গোল ১–০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা এটু পাটসোইগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু জর্সি নম্বর ৯ চাওতোননা মিনট ৫দা চনখি।

অহুমশুবা গ্রাউন্দা শান্নখিবদা টিৱাইসি নহারুপনা এনআইপিসি ন্যু চেক্কোনবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা টিৱাইসি নহারুপকী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১০ এনজি অজিমনা মিনট ১৬ অমদি জর্সি নম্বর ৯ মুবিননা মিনট ২০ দা গোল অমমম চনখি।

মায়থিরবা এনআইটিসিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ১০ কান্তনা মিনট ৩৫ তা চনখি।

মরিশুবা গ্রাউন্দা শান্নখিবদা য়াম্বুং এফসি য়ৌরবুং অমদি আরএফসি ক্যামগৈ গোল চান্নদনা দ্রো চৎখ্রে




Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com